# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্লাষ্টিকা থোকহনবা পোল্লুসন মুখৎলশি হায়বা হিরমদা মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

২) লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা এল.দি.এগী ওফিসিয়েলশিংগা খন্নখ্রে।

অমসুং

৩)  ইং ২০২৭ তা মীকোক থীবগী থবক অমদি কাষ্ট মশিং থিবগী থবক তাঙ্কক অনি থোকা ওক্তোবর তাং ১ দগী হৌনবা কেন্দ্রনা  ৱারেপ লৌরে।

**------**

ইনভাইরোনমেন্ট (এল) ঃ  প্লাষ্টিক পোল্লুসন মুখৎলশি হায়বা হিরমদা মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। কুমশি চহিগী নুমিৎ পালন অসিগী য়ুম্বুনা রিপাব্লিক ওফ কোরিয়ানি। কুমশি চহিগী নুমিৎ পালন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি- প্লাষ্টিক্কী অমোৎ অকায়শিংনা অকোইবগী ফিভম, লম্লক্কী শা-উচেক অমসুং মীওইবগী হকশেলদা পীরক্লিবা চৈথেং হায়বসিনি। ইং ১৯৭২ দগী হৌদুনা মালেম শিনবা থুংবদা য়ুনাইতেদ নেসন্সনা নুমিৎ মালেমগী অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবা পান্দমদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দনা শিন্দুনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা ইম্ফালগী নোংচুপ থংবা কংলা গেটতা শিজিন্নরবা প্লাষ্টিক বোট্টুলশিং খোম্বা

চাংদমবা পাঙথোক্কনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কাঞ্চিপুরনসু য়ুনিভর্সিতি অসি লিংখৎখিবগী ৪৫ শুবা কুমওন থৌরম অমসুং ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে থৌরম য়ুনিভর্সিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোক্কনি।

মালেম শিনবা থুংবা পাঙথোক্লিবা ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎকা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগা ৱারী শান্নবদা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়- ঙসি হায়বা নুমিৎ অসিদগী লমদম অসিদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুনদোকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্তুনা মসিনা থোকহল্লকপা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নরশি।

এসএসএ (এল)ঃ সমগ্রাহ্ শিক্ষা মণিপুরনা রাজ্যগী ইজ্‌কেসন (এস) অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগকা খুৎশমদুনা এক পের মা কে নামগী অনিসুবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌরগনি। কেম্পেন অসি মমাং চহিদা মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎকা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি।

ইজ্‌কেসন-এসকী সেক্রেতরি নাওরেম প্রভিননা থোকপা চেরোল অমনা হায়- চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা চত্থগদবা কেম্পেন অসিদা লমদম অসিদা লৈরি। সি.এস.ওশিং, মহৈ তম্ফমশঙশিং, ক্লবশিং, এন.জি.ওশিংনা অমত্তা ওইনা ইমাগী মীংদা উ চারা অমমমতা ওইরবা থানবা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়ানবা আপীল তৌরক্লি।

রাজ্যপাল (এল) ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা রাজ ভবন ইম্ফালদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতি (এল.দি.এ)গী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা এল.দি.এনা পায়খৎলিবা ইন্তিগ্রেতেদ মেনেজমেন্ট প্লান্টকী ফিভম অমসুং লোক্তাক পাৎপু কনবা অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। রাজ্যপালনা এল.দি.এগী ওফিসিয়েলশিংদা মহাকা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

শ্রী আজয় কুমার ভল্লানা নৌনা শারিবা সিভিল সেক্রেটরিয়েটকী ফিভমসু হন্না য়েংশিনখি। পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়ারনসু রাজ্যপালদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিগী অকুপ্পা ৱারোল তমখি।

মীফমশিং অসিদা চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট, প্রিন্সিপাল সেক্রেতরিশিং, কম্মিসনারশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়াইরিপোক চংঙমদবী চীংয়াদগী মেগজিন য়াওবা ৫.৫৬ এম.এম ইন্সাস রাইফল অমা, লেথোদ গন অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ১০, ৭.৬২ এম.এমগী মরু ৬, ৫.৫৬ এম.এমগী মরু ৬ ফাগৎপা ঙমখি। গাড়িশিংদা নপ্পল্বা তিন্টেদ গ্লাসশিং লৌথোকপগী খোঙজং মখা তানা চত্থরি হায়না মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

নোনে (এল) ঃ ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.বি.আই)না মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম.এস.আর.এল.এম)গী মখাদা লৈবা দাইথাও ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন্না চহি অমা ফারকপগা মরী লৈননা ফাইনান্সিয়েল লিটরেসি কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। নোনে জিলাগী লোংজাং (থঙ্গাল) খুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফেদরেসন অসিগী মখাদা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ তরাগী মীহুৎশিং অমসুং বেঙ্ককী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এস.বি.আই নোনেগী ব্রাঞ্চ মেনেজর রামস রিয়ামৈনা ভি.এল.এফ অসিনা লমদম অদুদা ফংবা চীঞ্জাক মখলশিং শিজিন্নদুনা ফুড প্রোসেসিংগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা শেন্থোক লম্বী হেন্না ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎনবা আপীল তৌরি।

সেন্সস ঃ ইং ২০২৭ তা মীকোক থীবগী থবক অমসুং কাষ্ট মশিং থিবগী থবক তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকবা কেন্দ্র সরকারনা ৱারেপ লৌরে। অহানবগী তাঙ্কক ইং ২০২৬ কী ওক্তোবর তাং ১ দগী জম্মু কাশ্মীর, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ অমসুং লদাখকুম্ন চীং অমসুং উন তাবা মফমশিংদা পায়খৎকনি। অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীকোক থীবনা ইং ২০২৭ গী মার্চ ১ দগী হৌগনি।

মমাংগী সেসন্স ইং ২০১১ দা তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকখিবনি। মদুদা অহানবগী তাঙ্কক্তা য়ুম মশিং থীবা অমসুং অনিসুবা তাঙ্কক্তনা মীকোক থীবগী থবক চংখিবনি। মীকোক থীবগী নোটিফিকেসন থা অসিগী ১৬ তা ওফিসিয়েল গেজেদতা ফোংলবা য়াই। মসি হেক ফোংবগা মীকোক থীবগী থবক হৌগনি। ইং ২০২১ দা মীকোক থীবগী থবক তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোকবা শিনখিবনি। অদুমওইনমক, অহানবগী তাঙ্কক পাঙথোকখ্রবা মতুং কোবিদ নাইন্তিন্না মরম ওইদুনা মীকোক থীবগী থবক য়েথোকখিবনি।

নোং ঃ সিক্কিমগী নোংপোক থংবা মাইকৈদা লম কোয়বশিং পনদুনা লৈরকপা অদু রাজ্য সরকারনা অথুবা মতমদা লৌথোকবা হোৎনরি। মুখ্য মন্ত্রি প্রেম সিংহ তমাংনা ঙরাং অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ফমদুনা মঙ্গল জিলাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু কুপা য়েংশিনখি। লম কোয়বশিং অদু মফম অদুদগী লৌথোকবা হোৎনবদা নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা খুমাং চাওশিনবা ঙমদ্রি। লান্মীগী এম.আই সভেন্তিন ভি-ফাইভ হেলিকোপ্তর অনি শিজিন্নদুনা মী কনবগী থবক চংখরি। চুংথাং অমসুং লাচেন ফাওবগী লন্বীদা থোং অনি তেকখিবদগী লম কোয়বশিং অদু তারাচুদা পনদুনা লৈরকখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেট বিভাগনা লাক্লিবা নুমিৎ ৬ নি অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা ময়াই ওইরপ নোং চুগনি হায়রি। জম্মু কাশ্মীর য়াওনা অৱাং ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ময়াই ওইরপ নোং চুগনি হায়রি। উরিষা অমসুং রাজস্থানগী মফম কয়াদা শাবগী চাং হেনগৎলবা য়াই হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

তুরেলশিং অয়ান্বা ৱার্নিং লেবেলগী মখাদা চেল্লে, ঈচাউনা শোকহল্লবশিং কনবা, মতেং পাংবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি হায়বা পাউ অসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা নোংজ্ থা মাংওইনবা নোংজ্দা লন্বীশিংদি শলাক শারে হায়বা ফোটোগা কোন্ননা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরদা ঈচাউনা শোকহনখিবা য়ুম মশিং লিশিং ৩৫ হেনখ্রে, ঈচাউ মায়োকরিবা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা সেন্তরনা মতেং পীরগনিঃ দোনর মিনিষ্টর হায়বা পাউ অসিনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা নহারোলগা থৌদাংদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

চহি ২৭ কী মমাংদা ৱাকৈথেল মেজর সৈজা য়াওনা মীওই মরি হাৎখিবগী কেস, কোর্টনা হায়- একুযজশিংগী মথক্তা চার্জশিং ফ্রেম তৌরগনি, একুযজ মরিগীদি মণিপুর লৈঙাকা প্রোজিকুযসন সেঙ্কসন পীয়ু য়াদ্রে হায়বা পাউ অমসুং তুরেলশিংগী ইমায় নেমথরক্লবসু ঈচাউনা শোকহল্লবা য়ুমশিংগী মশিং হেনগৎলক্লি হায়বা পাউশিং অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেসন জজনা ১৯৯৮ দা থোকখিবা ৱাকৈথেলগী থৌদোক্তা মরী লৈননা চার্জশিং ফাইল তৌগনি হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নেসনেল হাইৱে-37 অমসুং 102-বিগী শরুক কয়া ঈচাউনা শোকহল্লে, হাইৱেশিং অসিনা ফাওদুনা চৎলিবা জিলাশিংদা মৈ ফংদ্রে অমসুং এম.এল.এ শুশিন্দ্রোনা ঈচাউনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা ইমুংশিংগী অনৌবা য়ুম শারগনি হায়বা পাউশিং অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম.এল.এ- লোসি দিখোনা মণিপুরগী ওল্টরনেট লাইফ লাইনগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগালেন্দদা লম্বী নমথখিবদগী মণিপুর তমা লাকপা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২০০ হেনবা পনদুনা লৈরে হায়বা পাউ অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

২৯২৭ তগী পোপুলেসন সেন্সস পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------